# Part—IV / কাখন—IV

# Language—I / লোন—I

# Manipuri / মণিপুরী

কেন্দিদেটশিংনা **MANIPURI Language–I** লৌরবদি **পার্ট–IV** গী **(ৱাহং 91–120)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

***দিরেক্সন*** : মখাগী ৱাহংশিংসিগী মখাদা পীরিবা ওপশনশিং অসিদগী খ্বায়দগী চান্নবদু খল্লগা পাউখুম পীয়ু (ৱাহং **91–105**) :

**91.** মহৈরোইশিংসি বনান অমসুং খোনথোক হেনগৎহন্নবা তন্বীবদা মখোয়গী—

(1) তম্বগী হৈশিংবা (learning skill) হেনগৎহল্লি

(2) চুম্না ঙাংবা হেনগৎহল্লি

(3) ফজনা ঙাংবা হেনগৎহল্লি

(4) লোন শিজিন্নবগী হৈশিংবদা হেনগৎহল্লি

**92.** লোনগী ক্লাসতা কন্সত্রকতিভিজম হায়বসি—

(1) মহৈরোইশিংনা মান্নদবা সেম্পল কয়া নৈনদুনা ফজরবা ৱাখল্লোন পুথোকপনি

(2) ওজাশিংনা মহৈরোইশিংবু মখল মখা কয়াগী মেদিয়া শিজিনহনদুনা মখোয়গী ওইবা থিওরি শাগৎপদা মতেং পাংই

(3) মহৈরোইশিংনা মখোয়না ফংলকপা লৌশিং-গ্যানশিংদু লোনগী হৈশিংবা লাকহন্নবা হোৎন্নবদা শিজিন্নৈ

(4) মহৈরোইশিংনা তম্বদা দরকার লৈবা মচাকশিং শেম শাই-অদুগা মশাগী ওইবা অহান্বা লৌশিং ফংই

**93.** ইন্দিয়াদা রিজনেল লোন চাওখৎনবা হোৎনবদা মখাগীশিংসিদগী করম্বনা শিংনবনি হায়না লৌরোইদগে ?

(1) মীয়াম্না খংদবা

(2) খুদোংচাবশিং ৱাৎপা

(3) খংবদা চমমনবা

(4) ৱাহনথোক (অর্থ) হনদোকপদা অৱাবা

**94.** লোন খংবা (language acquisition) হায়বসি

(1) দরকার লৈবা ৱাহৈশিংদমক শিজিন্নবনি

(2) অঙাংনা মমালোন ঙাংবদা পুক্নিং থৌগৎপিবগী মওং-মতৌনি

(3) নৈনবদা নিয়ম নাইবা অমদি গ্রামার খংবদুনি

(4) মীওইবগী পীথোরকপা গুণগী মতেংনা লোন তম্বনি

**95.** লোনগী ওজানা লোন তম্বীবসি

(1) চিনহায় (dictation) তৌরগনি

(2) অঙাংশিংনা ফজনা ইয়ু হায়বদুনি

(3) অনৌবা ফজবা ৱাখল্লোন পিরগা মহৈরোইশিংদা ইহনবনি

(4) মহৈরোইশিংদা আর্টিকল (article) তম্মু হায়বনি

**96.** লোন অমা ফজনা ঙাংগে হায়বরদি—

(1) মহৈরোইশিংগা ৱারি শান্নগদবনি

(2) মহৈরোইশিংনা খংদ্রবদি তুমীন্না ফমহনগনি

(3) অরান্বশিং খংদোক্লগা খুদক্তা অরান্বশিং চুমথোক্কদবনি

(4) ৱারি শান্নবদা শিজিন্নগদবা লোন শিজিন্নবগী খুদোংচাবা লৈহনগদবনি

**97.** লোন তম্বীবগী মতিকচাবা পারাগীঅহৌবসি—

(1) তমনবগী পান্দমশিংদু মথং-মথং ইথোকপনি

(2) মরুওইবা পোইন্টশিং শমলপনা হায়বা অমদি মহৈরোইশিংবু এক্তিভিতিগা লোইন্ননা পুক্লিং থৌগৎপিবনি

(3) পারাগী য়াওফমগা লোইননা হায়বনি

(4) ব্লেকবোর্ডতা ইবনি

**98.** অৱাৎপা মেনখৎনবা তম্বীবা (Remedial teaching) হায়বসি—

(1) ফজনা মথং-মনাও নাইনা তৌবা থবক্নি

(2) করমহায়না তম্বীগদে তাকপনি

(3) ওইরোইদবা (negative) থবক্নি

(4) থিওরিটেকেল ওইবনি

**99.** লোনগী হৈশিংবা (language skills) তম্বসি —

(1) মমুৎতানা শুগাইনা তাক্কদবনি

(2) তোকখায়না তাক্কদবনি

(3) তুনা য়েংলগা তাক্কদবনি

(4) মতৌ তম্মদা তাক্কদবনি

**100.** লোন তম্লিঙে মনুংদা মহৈরোইশিংনা খোনথোক খংদবগী অৱাবা থেংনৈ। মসি করম্না থেংনগদগে ?

(1) ক্লাসরুমদা লাউনা পাবনি

(2) অঙাংশিং শান্নহনলগা মখোয়মশেন ৱারি শান্নহনবনি

(3) খুদক্তা অরান্বা চুমথোকপনি

(4) লোন খংবা মীশিংগী মতেং লৌরগা অখন্নবা মথৌশিং (activities) পাংথোক্কদবনি

**101.** ৱাহংচে শেম্মবা মতুংদা ওজানা চাংয়েং তৌগদবা পান্দমশিং (objectives) য়েংই। ওজানা অহানবা ওইনা ৱাহং চেগীদা খল্লিবসি—

(1) মনুংদা য়াওরিবা মচাক করি-করি য়াওবগে য়েংবনি

(2) ৱাহং মখলশিংদুদনি

(3) থাজনিংঙাই ওইব্রা য়েংবনি (reliability)

(4) চান্নব্রা য়েংবনি (validity)

**102.** _____ অৱাবসি পাবদা ৱাবগী sign নত্তে।

(1) ময়েক অমসুং ৱাহৈ খংবগী

(2) বনান চাং নাইনরগী

(3) পাবগী অয়াংবা অমসুং থুনা পাবগী

(4) ৱাহৈ অমসুং ৱাখল্লোন খংবগী

**103.** লোনগী মহৌশাদা মখাগীশিংদগী চুমদবদু করম্বনো ?

(1) লোন খুদিংমক্কী মশাগী কয়াৎ (structure) লৈজে

(2) লোনসি চৎনবীগা চাওখৎলকপগা মরি লৈনৈ

(3) লোনসি অরাইবদগী হেন্না লুশিনবদা লাকই

(4) লোনসি সিনথেসিসতগী এনালিসিস রোমদা লাকই

**104.** ক্লাসরুমদা তৌবা ঔরাইবা ময়ামশিংসিদগী করম্বনা চিনবুং লোন (oral language) খংবদা হেনগৎহনবগে ?

(1) ওজাগা লোইন্ননা লাইরিক্কী ৱরিশিং পুল্লপ্পা পামিন্নবনা ওইগনি

(2) পুল্লপ্পা অচুম্বা খোনথোক হায়মিন্নবনি

(3) চিন্ফা পুরগা শৈরেং তোঙান-তোঙান্না হায়বনি

(4) অপাম্বা ৱারিশিংদু শকতম লাংদুনা শান্নবনি

**105.** থুনা পাবগী মথৌসি—

(1) অপাম্বা লাকহন্নবনি

(2) হেন্না মমুৎতানা খংনবনি

(3) পাকাথোক চাওথোক্লা পাবনি

(4) মচাক খংনবনি

*দিরেক্সন* : মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা পীরিবা ৱাহংশিংগী অসিগী খ্বাইদগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু (ৱাহং **106–114**) :

চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা ঐচ.আই.ভি. /এইদস শন্দোকপগী চাং অমদি মওং অসি লম লমগী ওইনা খেন্নে। অফ্রিকা অমসুং এসিয়াদা নুপা-নুপী—হকতিন্নবদা শন্দোকপনা মশীং য়াম্মী। নোংপোক ইউরোপনচিংবা নৌনা নীংতম্লকপা লৈবাকশিংদনা পুন্না হিদাক কাপমিন্নবদগী শন্দোকখিবনা হেল্লি। হায়রিবা মফম পুন্নমকসিদা, মাগী মাগী লমগা চুনবা পাম্বে শীজিন্নদুনা নহারোলশিংবু ঐচ.আই.ভি./এইদসতগী কন্ননবা হোৎনহৌদ্রবদি, মতম খরগী—মতুংদদি লাইচৎশি পাক্তক্না শন্দোরক্কুনা মালেমদগী নহারোল পুন্নমক হাৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈ এইদস নাবখক্তা নত্তবদা নহারোলশিংগী মশা-মঊ ফনা হিংনবা অমদি মীওইবগী অধিকার মাঙহন্দনবা হোৎনবা তাই।

ঐচ.আই.ভি. হায়বদি হ্যুমেন ইম্যুন ডিফিসিয়েন্সি ভাইরস হায়বনি। মহীক অসি হকচাংদা চংখ্রগা, মীওইবগী মশা ঙাকথোকচনবা লৈরিবা থৌরাং (Immune system) দা লান্দারক্কুনা মপাঙ্গল শোম্বহল্লি। হায়রিবা ইম্যুন সিস্তেম শোম্বরক্লবদা মখল কয়াগী লায়না চঙলক্কুনা মী অদুবু নাহল্লকই। ঐচ.আই.ভি. হায়রিবা মহীক অসি পকখ্রবা মী অদুগী ঈ নৎত্রগা ফম্বীদা য়াওই।

এইদস হায়বদি এক্কাদ ইম্যুন ডিফিসিয়েন্সি সিন্দ্রোম হায়বনি। ঐচ.আই.ভি. পাকপা মী অমগী হকচাংদা য়াওরিবা ইম্যুন সিস্তেম অদু মপুং ফানা শোম্বরবা মতমদা মখল কয়াগী লায়না চঙলকই; মখোয়শিং অদুদি টি.বি. উনশাগী লায়না, খোঙ হাম্বা নৎত্রগা লাইহৌ হৌবা অসিনি। মসিবু এইদসনা নাবা হায়না খঙনৈ। ঐচ.আই.ভি. পাকপদগী এইদস নারকপদা চঙবা মতম অসি মী মীদুগী লমচৎ-শাজৎ নৎত্রগা পুন্সি মহিং অদুগী মখা পোল্লি। ঐচ.আই.ভি. হায়বসি কনাগুম্বা অমদগী লৌরুদ্রবদি মতোমতা থোকচরকপা নত্তে। মহীক অসি শন্দোরক্লবা সুপ্নতগী লম্বী অহুমখক লৈ। মহীক অসি ইচম চম্না চামীন-থকমিন্নবা, শান্নমিন্নবা, খুৎ, শোক্লবা, চুপ্নবা, থবক শূমিন্নবা, ফি-রোল তিন্নবা কোল্লিক পুনবা, অমাংশঙ তিন্নবা নৎত্রগা কাঙনচিংবনা চীকপদা শন্দোকপা ঙমদে। লুহোংদ্রিঙৈদা নুপা-নুপী অনীমক মশা-মশা য়ানরগা ঐচ.আই.ভি টেষ্ট তৌথোকপা ফৈ। করিগুম্বদা নিপা নৎত্রগা নুপীদা পক্লম্লবসু নুংশিনবা অমসুং লৌন-লৈনবদি, য়াই। তৌবতবু চেকশিন থৌরাংদি লৌখৎকদবনি। অনা অয়েক নৎত্রগা খুদোংথীবা য়াওরকপদা, নীংথিজনা চাংয়েং তৌরবা মহিক য়াওদবা ঈতমক কাপ্পিবা ফৈ।

**106.** চাউখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা লম লমগী মতুং ইন্না ঐচ.আই.ভি. শন্দোকপগী চাং কমদৌবগে?

(1) অমগা অমগা খেন্নে

(2) অমগা অমগা মান্নবা লৈ

(3) মান্নবসু মান্নদবসু লৈ

(4) শন্দোকপগী চাং ৱাংবা তান্নরকই

**107.** নোংপোক ইউরোপনচিংবদা নৌনা নীং তম্লকপা লৈবাকশিংদা ঐচ.আই.ভি. লায়না অসি করম্না পাক শন্না শন্দোকপা হেনখিবগে?

(1) হকতিন্নবদগী

(2) নুপা-নুপী নুংশিনরকপদগী

(3) চাংয়েং তৌদুনা মহাও খংনিংলকপদগী

(4) পুন্না হিদাক কাপমিন্নবদগী

**108.** ঐচ.আই.ভি. মহীক অসি, নারবা মী অদুগী হকচাংগী করম্বা শরুক্তা য়াওই—

(1) শিংলী উতোংশিংদা য়াওই

(2) ঈ নৎত্রগা ফম্বীদা য়াওই

(3) থবোম্বীদা য়াওই

(4) মহীকসি য়াওবা হকচাংগী শরুক থিবা ফঙদে

*দিরেক্সন* : শৈরেং অসি পারগা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ু (ৱাহং **115–120**) :

উদগী চাউবা খোংনাংনি
অচৌবা খোংনাং পান্বীনা
জীবশিংদা উরুম পী
উচেক ৱায়াশিংনা য়ারেকফম ওই।

মনা পুংবদা হৈনৌনি
হৈনৌনা জুম জুম পাল্লগা
মরাই লুকপা হেল্লিদো।

মগুণ লৈবা মীতনা
সমাজবু নোল্লুক্না চৎলিদো
মীয়াম্না ইকায় খুম্নেদো।

**115.** অচৌবা খোংনাং পান্বীনা জীবশিংদা করি পী—

(1) পৈশ পী

(2) উরুম পী

(3) মশা মরেং পী

(4) করিমত্তা কান্নবা পীদে

**116.** উচেক-ৱায়াশিংনা কদায়দা য়ারেকফম ওই?

(1) অশোংবা মোংশোংদা

(2) য়ুমগী শাইজিন্দা

(3) অচৌবা খোংনাং পান্বীদা

(4) শুমাং মতোনগী নাসপতিদা

**117.** মগুণ লৈবা মীনা সমাজদা করম্না চৎপগে?

(1) মরু লুক্না চৎলী

(2) মমায় থাঙ্গৎলগা চৎলী

(3) নোক্না নোক্না চৎলী

(4) কপ্না কপ্না চৎলী

**118.** মগুণ লৈবা মীবু মীয়াম্না করম্না লোইনবগে?

(1) হৈনদনা লোয়নৈ

(2) ইকায় খুম্ননা লোয়নৈ

(3) নুংঙায়না লোয়নৈ

(4) ইনথোকলগা লোয়নৈ

**119.** মথক্তা পীরিবা শৈরেং অদু মুন্না পারগা 'দো'না লোন্বা পরেং কয়া য়াওবগে?

(1) অমা য়াওই

(2) অনি য়াওই

(3) অহুম য়াওই

(4) মরী য়াওই

**120.** "খোংনাং পান্বীনা জীবশিংদা উরুম পী।" করম্বা ৱাহৈ পরেংনো?

(1) ইন্টরোগেতিব

(2) কমপ্লেক্স

(3) কম্পাউন্দ

(4) দিক্লারেসন

# Part—V / কাখন—V

# Language—II / লোন—II

# Manipuri / মণিপুরী

কেন্দিদেটশিংনা **MANIPURI Language–II** লৌরবদি **পার্ট–V** গী **(ৱাহং 121–150)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

***দিরেক্সন*** : মখাগী ৱাহংশিংসিগী মখাদা পীরিবা ওপশনশিং অসিদগী খ্বাইদগী চান্নবদু খল্লগা পাউখুম পীয়ু (ৱাহং **121–135**) :

**121.** প্রাইমারি স্কুল অমগী মহৈরোইশিংদা খ্বাইদগী কান্নগদবা তাবগী অমসুং ঙাংবগী হৈশিংবা (listening and speaking skills) লৈহনগে হায়বদি মখাগীশিংসিদগী করম্বা মতম্বীনা ওইগদগে ?

(1) ৱারিলীবা অমসুং ডিকক্তেসননি

(2) শৈরেং থিবা অমসুং লোনগী লেবোরেটরিনি

(3) শকতম লাংলগা শান্নবা অমসুং পাউ পাবনি

(4) শকতম লাংলগা শান্নবা অমসুং তেৎন্ন-তিন্নবনি

**122.** লোন্দা অৱাৎপা মেনখৎন তম্বীবা (remedial teaching) হায়বসি—

(1) মহৈরোইশিংনা অহৌবদা লানবা অরানবশিং ফগৎহন্নবনি

(2) লৌশিংগা মরি লৈন্নবা অরানবশিং ফগৎহন্নবনি

(3) মহৈরোইশিংদা মশাগী ওইবা থাজবা লাকহন্নবনি

(4) মথক্কীশিংসি লোইনমকনি

**123.** করম্বা ৱাহংনা ময়ামগী ওইবা লোন খংনবগী খ্বাইদগী চান্নবা চাংয়েংদু করম্বনো ?

(1) য়াম্না তেম্বা পাওখুম মখল

(2) অশাংবা পাওখুম মখল

(3) এসেগী মখল

(4) ওবজেক্তিভকী মখল

**124.** ‘‘অঙাংশিংসি লোন ঙাংবা ঙম্বগী মঙমগা লোইননা পোকই।’’ হায়বসি কনানা হায়বনো ?

(1) পিয়জেৎননি

(2) চোমসকিননি

(3) ভিগোসটকিননি

(4) পেভলোভননি

**125.** হিন্দি ঙাংবা মফমদগী লাকপা নুপীমচা অমনা নংগী নরমদা লাকপদা, নংগী লোন ঙাংবদা অরানবা য়াওরগা ঙাংই। ওজা অমা ওইনা নংনা মখাদা পিরিবশিংসিদগী করম্বনা অচুম্বনি লৌগদগে।

(1) মহাকপু মানা ঙাংবা অরানবগী মতাংদা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়বিগনি

(2) মহাকপু লোন হেন্না শিজিন্নবগী তাঞ্জা পিবিগদবনি

(3) নুমীৎখুদিংগী মহাকপু অনৌবা লোন অমা পুংখাই অমগী ঔরাইয়ু হায়গনি

(4) অনৌবা লোন শিজিন্নবদুদা মহাক্কী মমালোনগী মমি তাহনলোইদবনি

**126.** পিরিবা পান্দমশিংসিগী (objectives) মখাদা লোন তমলোইদবসী করম্বনো ?

(1) পুন্সিগী থাক মখল ময়াম খংবনি

(2) লোন খংনবা তম্বনি

(3) নুংগী ৱাহৈ হায়বা অমসুং তাবনি

(4) পুন্সিগী তৌগদবশিং তৌবনি

**127.** লোনগী মতাংদা মখাগীশিংসিদগী এসে মখলগী চাংয়েংদা খুদোংচাগদবসি করম্বনো ?

(1) চাংয়েংসিনা অঙাংশিংগী মইদা মখোয়গী ৱাখল ফজনা শাগৎপগী মঙম খংবদা মতেং পাংই

(2) চাংয়েংগী ওইনা ৱাহং খরদমক খংনবদা মতেং ওই

(3) মহৈরোইশিংনা ৱাহং খরদমক খুমগদবনিনা পাবগী মতম কল্লি

(4) সিলেবস লোইনা তৌগদবনি

**128.** ইবা ওৱাইনবগীদমক্তা অতোপ্পগী মতেং লৈবা অঙাংশিংনা (children with special needs) দরকার লৈরিবসি

(1) মশাগী তোপ-তোপ্পা ৱাখল্লোন লৈবনি

(2) সিম্বোলিক ওইবা লোন শিজিন্নবনি

(3) ৱাহৈশিং চুম্না শিজিন্নবদুনি

(4) খুই ফজবদুনি

**129.** চাং নাইনা তৌবা অমদি ফজনা খংদোক্লবা লোনগী চাংয়েংদা (continuous and comprehensive evaluation) মখাগীসিদগী করম্বদা পুক্নিং থমগদগে ?

(1) অচুম্বা ৱাহৈশিংদনি

(2) প্রোজেক্টী থবক্তনি

(3) অচুম্বা খোনথোক্তনি

(4) খেৎনবা মতাংশিংদা লোন শিজিন্নবা ঙমবদনি

**130.** মলটিলিংগ্বালিজম হায়বসি

(1) লোন তম্বীবদা অপনবা ওই

(2) লোনগী মচাকশিংদা অকিবা ওইহনলি

(3) লোন তম্বদা মরুওইবা মচাক ওই

(4) লোন তম্বদা অৱাবা ওই

**131.** লোনগী অহানবা মওংসি

(1) সাইন লোননি

(2) গ্রামারনি

(3) অইবা লোননি

(4) চিনবুং লোননি

**132.** প্রাইমারি থাক্তা ৱারিশিংগী অমদি শৈরেংশিংগী খ্বাইদগী মরুওইবা মীৎয়েংসি করিনো ?

(1) কান্নবশিং ওইগনি

(2) শৈরৈংশিং অমদি ৱারিশিংসি ৱাহৈ য়ামহনগদবনি

(3) মরুওইবা মমিংশিং অমসুং তাঙ্ককশিং হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়বনি

(4) শৈরেংশিং অমসুং মরুওইবা অইবশিংগী ৱারি হায়বনি

(বাইওদাইভরসিটি) দা শোকহল্লকপা অসি মীপুম তিংনা খঙহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে।

**136.** জীবশিংনা স্বর হোনবদা চঙলিবা কারবোনদাই-ওক্সাইদ অমদি ______ গ্যাসকী চাং অসি চাউনা হোংলক্লে।

(1) হাইড্রোজেন

(2) নাইট্রোজেন

(3) ওক্সিজেন

(4) ঈশিং

**137.** কল-কারখানাদগী চুমথোক্তবা হূ চেল্লবা গ্যাস অহেনবা থাদোরকপদগী খ্বাইদগী চাউবা অহোংবসি করিনো?

(1) নুংশিৎ মরাংকাইরক্তবা

(2) নুংশিৎতা ঈশিংগী চাং হেল্লকপা

(3) নুংশিৎতা নাইট্রোজেনগী চাং যাওরকপা

(4) নুংশিৎ শেংলক্তবা

**138.** উমং কোকথোকপা অমসুং মৈ থাদোকপনা নুংশিৎতা হেনগৎলকইবা গ্যাস অদুগী মমীং করি কৌই —

(1) হাইড্রোজেন

(2) নাইট্রোজেন

(3) ওক্সিজেন

(4) কারবোনদাইওক্সাইদ

**139.** পৃথিবীগী নুংশিৎ নুংশা শেংহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌই হায়নরিবা উমং (forest) অদু করি কৌই —

(1) সুন্দরবন্দ উমং

(2) অমাজোন বেসিন

(3) সুমাতা রেন উমং

(4) কোঙ্গো বেসিন উমং

**140.** মমাংঙৈদা অহল লমনশিংনা উমং-ৱামংবু উ যানবা থিংদুনা উমং-ৱামং কয়া করম্না যোক্কুনা থমলম্বগে?

(1) উমং লাইগী উয়োক ওইনা

(2) ভুত-প্রেত লৈ হায়জিন্দুনা

(3) মী-শিরগা লংথোকফম ওইনা

(4) শা-কৈনা য়ুমলক্তা চেনশিল্লক্তনবা

**141.** ২০ শুবা চহীচাদা উমং কোকথোকপনা খ্বায়দগী শাখিবা চহি অদু কয়াদগী কয়া ফাওবনো ?

(1) ১৬৮০–১৬৯০

(2) ১৭৮০–১৭৯০

(3) ১৮৮০–১৮৯০

(4) ১৯৮০–১৯৯০

**142.** উ-ৰাবু য়ানবদা ঈরাৎ থৌনিবগী চৎনবী লৈরম্মী হায়বসি করি পুরানদা য়াওবগে ?

(1) লৈথক-লৈখারোল

(2) হিজন-হিরাও

(3) পাখংবা লাংয়েন ঈশৈ

(4) লৈরোন

**143.** মমাংঙৈদা উ য়ানবদা অথিংবা থমলমই। ৰাহৈ পরেংশিদা য়াওরিবা 'অথিংবা' ৰাহৈশি করিনো ?

(1) নাউননি

(2) প্রনাউননি

(3) ভার্বনি

(4) এডভার্বনি

***দিরেক্সন*** : পীরিবা ৱারেং মতেক অসি পাদুনা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পীরিবা পাউখুমশিং অসিদগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু (ৱাহং **144–150**) :

নিংথৌ পল্লিঙৈ মতমদা ত্রিপুরা অমসুং মণিপুর অনিসি য়াম্না চারৌ মৌরৌনরমী। মণিপুরগী কোনুংগী নিঙোল কয়া ত্রিপুরাগী মহারানী ওইখিরম্মী মহারাজ বীরচন্দ্রসু মৈতৈ নিঙোল লুহোংখি। মহাক ইং ১৮৬২ দগী ১৮৯৬ ফাওবা পাল্লম্মী। মহাক্না ত্রিপুরাবু আধুনিক্কী লম্বীদা খোঙদাহনখি। বীরচন্দ্রগী অনীশুবা মহারানী রাজেশ্বরী পাঙনবম শাগৈগী নিঙোলনি। মহাক রাধাকিশোরগী অপোকপীনি। মজাইবুংঙো রাধাকিশোরবু ত্রিপুরাগী নিংথৌ ওইহন্নবগী বর নিদুনা মহারানী রাজেশ্বরীনা ইবুধৌ পাখংবা লাৎখি হায়। ইবুধৌনা মহারানীগী নীংবা থুংহনখি। পাখংবা লাৎতুনা মহাক্না ত্রিপুরাদা 'লাই হরাওবা' হৌদোকপিখি। অদুগী মথংদগী লেপ্তুনা চহী খুদিংগী ইবুধৌ পাখঙবগী লাইশঙ মমাঙদা লাই হরাওবা পাঙথোকখি। ত্রিপুরানা ভারত্তা তিনদ্রিঙৈ মমাঙ ফাওবা ত্রিপুরাগী নিংথৌশিংনা শীনলাংদুনা চহী খুদিংগী লাই হরাওবা পাঙথোক্লম্মী। ইবুধৌ পাখঙবা লাইশঙ মমাঙদা হৌজিক অতৈ লাই হরাওদ্রবসু চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চাক্লেন কৎলি। চাক্লেন কৎপদা অতৈ জাতিগী মীশিংসু য়াম্না তিল্লি।

হৈ-লৈ পৈশা য়াম্না কৎলি। মহারাজ বীরচন্দ্রগী খ্বাইদগী অচানবী মহারানী ভানুমতীসু মৈতৈ নিঙোলনি। মহাক বড়ঠাকুর সমরেন্দ্র চন্দ্র দেববর্মগী অপোকপীনি। মহারাজ বীরচন্দ্রগী মহারানী অতোপ্পা মনমোহিনী দেবীসু মৈতৈ নিঙোলনি। মহাক খুমন্থেম চনুনি। মহারাজ বীরচন্দ্র মাণিক্য মৈতৈ নিঙোলশিং লুহোংলম্বতা নত্তনা মৈতৈ লোনব মমালোনগুম ঙাংবা ঙমলম্মী।

মহারাজ বীরচন্দ্রগী মজাইবুংঙো রাধাকিশোর মৈতৈ মহারানীগী মচানি। মহারানীশিংসু মৈতৈ নিঙোলনি মহারাজ রাধাকিশোর 'ধাকা মহারানী' রত্নমঞ্জুরীবু লুহোংখি। মণিপুরগী মহারাজ দেবেন্দ্র সিংহ রাজসিংহাসন্দগী তাম্থোরকখিবদগী ধাকাদা চংজদুনা লৈখি। মরম অদুনা মহাক্কী মজাইবেম্মা রত্নমঞ্জুরীবু 'ধাকা মহারানী' হায়রগা খঙনরম্মী। ত্রিপুরাগী নিংথৌ কোনুংদা রাধাকিশোর অমসুং রত্নমঞ্জুরীগী লুহোংবগী থৌরম পাঙথোকখি। মখোয়গী মজাইবুংঙো বীরেন্দ্রকিশোরনা মহারাজ রাধাকিশোরগী মথংদা ত্রিপুরাগী নিংথৌ ওইখি। রাধাকিশোরগী মহারানী তুলসীবতীসু মৈতৈ

নিঙোলনি। ত্রিপুরাদা নুপীশিংদা শিক্ষা শন্দোকপদা মহারানী অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌখি। অগরতলাগী মহারানী তুলসীবতী গার্লস স্কুল অসিনা মদুগী খুদমনি। মহারানী অসিগী অৱাংবা থাক্কী ৱাখল-মিনুংশিনা নুপীমচাশিংবু লাইরিক লাইশু হৈহন্নবা থৱায় যাওনা হোৎনখি।

**144.** ত্রিপুরাগী নিংথৌ বীরচন্দ্রনা কনাগী নিঙোলগা লুহোংখিবগে

(1) কুকী নিঙোল

(2) তাংখুল নিঙোল

(3) মৈতৈ নিঙোল

(4) বেঙ্গলী নিঙোল

**145.** বীরচন্দ্র নিংথৌগী অনীশুবা মহারানী রাজেশ্বরী করন্বা শাগেগী নিঙোলনো ?

(1) ইরেংবম শাগৈ

(2) পাঙনবম শাগৈ

(3) লৈশাংথেম শাগৈ

(4) থিয়াম শাগৈ

**146.** করন্বা মহারানীনা ইবুধৌ পাখংবগী লাইশঙ মমাঙদা লাই হরাওবা হৌদোকখিবগে ?

(1) মহারানী রাজেশ্বরী

(2) মহারানী ইন্দুপ্রভা

(3) মহারানী লৌতুনেশ্বরী

(4) মহারানী মোধুমতী

**147.** মহারাজ বীরচন্দ্রগী খ্বাইদগী অচানবী মহারানী অদুগী মমিং করি কৌবগে ?

(1) মোধুমতী

(2) চন্দ্রমুখী

(3) প্রভাবতী

(4) ভানুমতী

**148.** মণিপুরগী নিংথৌ দেবেন্দ্র মহারাজগী মজাইবেম্মা রত্নমঞ্জুরী ত্রিপুরাগী মহারানী ওইখি। মহাকপু করি হায়না খঙনখিবগে ?

(1) ধাকা ইবেম্মা

(2) ধাকা মহারানী

(3) ধাকা মাতাজী

(4) মণিপুর মহারানী

**149.** মণিপুরগী মহারাজ দেবেন্দ্রনা রাজসিংহাসন্দগী তান্থোরক্লগা মফম কদাইদা চংজফম লৌদুনা লৈখিবগে ?

(1) শিলেট

(2) চিত্তাগোং

(3) ধাকা

(4)

**150.** ত্রিপুরাদা নুপীশিংনা শিক্ষা শন্দোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবী মহারানী অদুগী মমিং করি কৌই।

(1) মহারানী তুলসীবতী

(2) মহারানী কুরঙ্গনয়ীনি

(3) মহারানী রত্নমঞ্জুরী

(4) মহারানী রাজেশ্বরী

